# অনীশুবা ইন্টরনেশ্নেল ভিক্টিম দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৪(এস এন এস)ঃ পান হিলস এন্দ প্লেন্স রিফোর্মিষ্ট লিগনা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা রূপমহল থিয়েটরদা 'সেকেন্দ ইন্টরনেশ্নেল ভিক্টিম দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এসিয়ান মিনিষ্ট্রিজ ইন্টরনেশ্নেল গুৱাহাটি অসামগী দিরেক্টর তুইথিং সিমরেনা অথোইবা মীথুংলেন, ইউনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এনজি নিলকান্ত খুমন, য়ু এন ওনা শকখঙলবা ইন্টরনেশ্নেল হ্যুমেন রাইটস এন্দ লিগেল এন্দ জষ্টিস সেলগী ফোর্মর সেক্রেটরী জেনরেল অমসুং নেশ্নেল এন্দ ইন্টরনেশ্নেল এৱার্দি এল এম সানানা স্পিসিয়েল ইনভাইটি অমদি ইউনিভর্সেল মাদরস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এম সোরোজিনিনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম সোরোজিনিনা হায়, ইন্টরনেশ্নেল ভিক্টিম দে অসি হন্দক্কক্ষ থারগা অনীরকশুবনি। লমদম অসিদা নুপী ওইবীশিংবু শরাক তন্বিবা, ওৎপী নৈবিবা অমদি ভিক্টিম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিং অদুগী নীংশিং থৌরম ওইনা পাঙথোকপনি। কুমজা ১৯৭৪ গী মার্চ ৪ দা ৯৫ বি এস এফকী মেজর পুদির অমদি কেপ্তেইন নাগনা শরাক তন্বীখ্রবী উখ্রুলগী ঙাপ্রুম খুলদগী লাইসিও রোজ নিংসেন মীয়ান্না রোজ চনু হায়না খঙনবিবু নীংশিংবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নুপী ওইবিগী ইজ্জৎ মাঙহনবিখ্রবা রোজ চনু মার্চ ৬তা মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌজদুনা শিজখি। মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা আর্ম ফোর্সেসশিংনা নুপীদা চৎখিবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা চীং অমদি তমগী নুপী ওইবীশিংনা অকনবা খোঙজং চংশনবদগী মতমদুগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অলিমুদ্দিন্না খাঙবা ঙমদ্রদুনা মশামক্না বি এস এফ কেম্পদা চৎতুনা বি এস এফকী ওফিসার অদুগী বেজ থেৎতুনা লংথোক্তু না অকনবা এক্সন লৌখি। মতমদুদা পান হিলস প্লেন্না অকনবা খোঙজং কয়াসু চঙশিনখি। মতমদুদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবা নুপীদা চৎখবা ক্রাইম লেপ্পা লৈত্রি। লমদম অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংবু শরাক তন্বিবা হন্থনবা মওংদা য়েংবিদুনা নোংমা নোংমগী নুপী ওইবীশিংগী ভিক্টিম হেনগৎলক্লি। হন্দক সেনাপটিদা জজ অমনা পীখিবা রাই নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ তেংশিংনরুবা অমবু শিবগী চৈরাক পীখিবা অদুগুম্না চৈরাক কয়া পীবা মথৌ তারি। অসিগুম্বা অকনবা চৈরাক পীরবা মতমদতা নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ কনবা ঙমগদৌরিবনি।

ভিক্টিম ওইরবা নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবিবা তৌবিরোইদবনি। লোয়ননা রোজ চনুবু নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ মাঙহনবিখিবা মার্চ ৪ অসি ষ্টেট লৈঙাক্না হাল্ফ হোলিদে নৎত্রগা ফুল হোলিদে ওইনা লাউথোকপিনবা হায়না লৈঙাক্তক্ষ আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা লৈখিদ্রবা ভিক্টিমশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ–খ। ভিক্টিম ওইরিবীশিংদা পান হিল এন্দ প্লেনস রিফোর্মিষ্ট লিগকী মায়কৈদগী ঙমজবা তেঙবাংশিং খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা লাইসিও রোজ নিংসেনগী ৱারীদা বেজ তৌবা দ্রামা অমসুং উৎখি।

# চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরগী ১২ শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৪(এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনবদা থৌদাং য়ারিবা চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরগী ১২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়া–খবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী হান্নগী চিয়ারপার্সন ডা. সিঐচ জামিনিনা ফোঙদোকখিবদা চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং লমদম অসিগী নুপীশিংদা মতিক ময়াই হাপ্পনি হায়না লৌই। লমদম অসিগী নুপীশিং মথৌনা লৈ, মগুণ লৈ অদুবু শেঙ্খোক লম্বীদি লৈতে। অদুবু চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরনা লমদম অসিগী নুপীশিংদা অপিকপদগী হৌরগা শেঙ্গং খরা থাদদুনা থবক নোমহল্লি।

লমদম অসিগী নুপীশিংনসু থম্মোয় শেংনা তৌবদগী বেঙ্কনসু থাজদুনা লোন পীরে। মসিদা চনুরা মাইক্রোফিননা সার্টিফিকেট পীরগা লোনগী খুদোং চাবা লৌদুনা নুপী কয়া কান্নবা ফংখ্রে। মসিমক চনুরা মাইক্রোফিননা লমদম অসিগী নুপীশিংগীদমক য়াম্না ফবা থৌরাং অমনি। হৌজিক ফাওবদা লমদম অসিগী মীওই লিশিং ২৫ হেনবদা চনুরা মাইক্রোফিন্না কান্নবা পীখ্রে হায়বসি মখোয়গী রিপোর্টতগী খঙবা ঙম্মী। অদুনা অসিগুম্না লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনরিবা চনুরা মাইক্রোফিন্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা ঐখোয় খুদিংমক্না পূক্নিং থৌগৎফম থোকই। হায়নসু মহাক্নক্ষ মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরগী ফাউন্দর সেক্রেটরী পি কে খুমন্না হায়খিবদা চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরনা লমদম অসিদা শেন্মীৎলোন ফগৎনবা ইমা ইবেলশিংনা থবক অমা নোম্নবা হোৎনবদা মনি লেন্দরশিংদগী চাউনা অৱাবা পুরম্বদু কোকহন্দুনা লাক্লি। চহী ১২ অসিদা লমদম অসিগী ইমা ইবেল লিশিং ২৫ হেনবদা তোঙান তোঙানবা মফমদা ব্রাঞ্চ ৭ হাংদুনা শেঙ্গং পীদুনা লাক্লি।

চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিবু মশক খঙবা ওইনা সিটি বেঙ্কনা পীবা রিকোগনিসন ইমা ইবেলশিংনা ফংখ্রে। লোয়ননা মাইক্রোফিন অসিনা পায়খৎপা সোলর ইনর্জি প্রোগ্রাম দা দি লাইট য়ু এস এনা সোসিয়েল ইম্পেক্ট সার্টিফিকেট পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়খি।

থৌরম অদুদা চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরগী চিয়ারপার্সন এন হরিমতি, মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী রিটয়ার্দ জেনরেল মেনেজর কেঐচ য়াইস্কুল, স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী মেনেজর জি. রামকুমার শর্ম্মা, নোর্থ ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন (এন ই দি এফ আই) ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী মেনেজর প্রিয়োবর্ত্ত গুরুমযুম, রুরেল এগ্রিকলচরেল এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট সেন্টরগী সেক্রেটরী পি য়াইমা, ইনিদপেন্দেন্ট কন্সলটেন্ট দব্লিউ বিমোলতা, চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরগী ফাউন্দর মেম্বর পি মেমি অমসুং চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর পিঐচ. লোখেন্দ্র শর্ম্মনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ওইনাম ব্লোক মহিলা কোংগ্রেস মুখৎখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৪(এস এন এস) ঃ

ওইনাম ব্লোক মহিলা কোংগ্রেস কম্মিতি ঙসি মুখৎলগা এন ই আই দি পি দা য়াওশিনখ্রে। লোয়ননা এন ই আই দি পিগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকখ্রে।

ঙসি ওইনামদা পাঙথোকপা পাঊগী মীফম অমদা ওইনাম ব্লোক কেংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম ওংবী শুমিলা দেবীনা পাউমীশিংদা হায়, ওইনাম ব্লোক মহিলা কোংগ্রেস কম্মিতি অসিগী মেম্বর খুদিংমক ঙসিদগী হৌরগা কোংগ্রেসতগী তোক্লে লোয়ননা লমদম অসিগী রিজনেল পার্টি অমা ওইরিবা নোর্ঠ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিদা য়াওরে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, লমদম অসিগী নেসনেল পার্টিশিংনা ষ্টেট অসিগী ইশু কয়াদা সেন্টরগী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবা, মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌদবা লোয়ননা য়েলহৌমীগী ৱাথোক লাকপা মতমদা চীন্দনা অমা খুত্তনা অমা তৌবগা লোয়ননা পার্টি মনুংদা অমনা অমবু হন্থনা য়েংবগী চৎনবী কয়া লৈরকপদগী কোংগ্রেস পার্টি থাদোক্নবা ফিরেপ অসি লৌরকপনি।

মহাক্না হায়, মহিলা কোংগ্রেস কম্মিতিগী মেম্বরশিং ঙসিদগী লমদম অসিগী রিজেনেল পার্টি অমা ওইরিবা নোর্ঠ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিদা য়াওরে হায়খি।

পুন্না মেম্বর ৩৯ লৈবা ব্লোক মহিলা কোংগ্রেস কম্মিতি অসি মেম্বরশিং ব্লোক মহিলা কোংগ্রেস অসি মুখৎলগা এন ই আই দি পিদা য়াওরকপদা পার্টি অসিগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকখ্রে।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ওইনামদা পাঙথোকখি। লোয়ননা ঙসি নৌনা পার্টি অসিদা য়াওরক্নবশিং অসি ওইনাম কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এন ই আই দি পিগী ৱুমেন ফ্রন্টকী থৌপুবশিং ওইনা হাপ্লগনি হায়রি।

## অমিট সহা ঙসি মীৎকুপ...

*লমায় ১গী মখা*

লমজিং মখাদা চহী অনি অসিদা পায়খৎলিবা ময়াম অসি মীয়াম্না খঙনরবনি।

মমাংদা লৈঙাক পায়রম্বশিংগা হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা তৌরিবা থবকশিং অসি চাংদম্নদুনা য়েংবীয়ু হায়খি।

ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অসি মমাংগী লৈঙাক্না নিংথিনা শেম্বীরমদবা অদুনা মীয়াম চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরম্বা অদু হৌজিক্তি কোকহনবা ঙম্লে। লৈঙাক অসিগী মখাদা মক্রু অমসুং বরাক থোং আর সি সিগী থোঙ ওইনা ওম্থোক্তুনা কন্না শেমগৎ শাগৎলি হায়খি।

থোঙ অনি অসি লোইরকপদদি কুম্বী কালেন নাইদনা মীয়াম্না চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা হেনগৎহনলগনি হায়খি। মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়াসু অনৌবা লৈঙাক অসিনা পায়খত্তুনা লাক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা সিট ৩০০ দগী ৩৫০ ফাওবা কান্নবা হোৎনরিবনি। সিট অনিখক লৈবসিদা কনাগুম্বনা পার্লিয়ামেন্টতা চংলগা করি ৱা হায়বা ঙমগদৌরিবনো।

বি জে পিগী ওইনা মণিপুরদগী এম পি অনি চৎলগদি দিল্লিদা বি জে পিগী এম পি মশীং হেনগৎহনবদা মতেং ওইগদৌরিবনি। মসিনা মণিপুর মীয়ামগী অপুনবা খোল্লাউ অদু তাহনবা ঙমগদৌরিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অমুক হলহনলক্নবা বি জে পিগী মীরেপ অনিমক মায় পাকহনবীয়ু হায়খি। লমদম অসিগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং অদু ফংহন্নবা হোৎনবগী থৌদা অদু মহাক্কী মফমদা শিন্নবীনবা ডা. রঞ্জননা আপীল তৌখি।

এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা চৎমিন্নরিবা পার্টি অমা ওইরিবা লোক জনশক্তি পার্টিগী মীহুৎ অমসু ওইরিবা অমসুং সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়, লৈবাক অসিগীদমক চাউখৎপা, মীয়াম থোং মান্ননা চাউ–খৎমিন্নবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা পার্লিয়ামেন্টকী মীখল অসিদা পার্টি অসিনা চৎমিন্নবনি।

নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী লাইরবা তোল্ল তারবশিং, নুপী অঙাংশিংগী লৌমী শীন্মীশিংগীদমক পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমগী মতাংদা মিনিষ্টর শ্যাম্না মীয়ামদা শুগায়না তাকখি।

পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুর মীয়ামগীদমক লাওবা ঙমগদবা মীহুৎ থাবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি। মীখল অসিদা মীয়াম্না করম্বা মীওইদা অমদি করম্বা পার্টিদা ভোট পীগদগে হায়বা মুন্না খনবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপার্সন ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং, এল জে পিগী দলিট সেনাগী প্রসিদেন্ট অমসুং ৱাংখেম কেন্দ্রদা হান্না মীরেপ ওইখিবা কে জদুমনি, হান্না বি জে পিগী মীরেপ ওইনা ৱাংখেম কেন্দ্রদা মীখল থেংনখিবা ওইনাম হরিদাস য়াওনা পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## অঙাংনি হায়না চৈখিবা কোনরাদ...

*লমায় ১গী মখা*

মায়োক্তা মখোয় মখোয়গী ফিরেপ লাওথোকপা হৌরে।

সি এ বিলগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিনা রাজ্য সভাদা লৌরিবা ফিরেপ অসি লৈবাক মীয়াম্না খঙবীরো। সি এ বিল চৎনহনবদা কায়রোই হায়দুনা তেনৱা মরোল লোনবগুম ঙাঙলিবা পোলিতিকেল পার্টি মীয়াম্না খঙবীয়ু। ফম অদু কোন্নবা হোৎনবদা ইশাগী আইদেন্টিটি মাঙলবু য়ারে হায়না লৈরিবা পার্টি মীয়াম্না মশক খঙবীয়ু অমসুং কোংগ্রেস পার্টিনা লৌরিবা ফিরেপ অসিগুম্না মণিপুর মীয়াম্না লৌবিয়ু হায়খি।

আফসপা লৌথোকপনা ফরে হায়না কেংগ্রেস পার্টিনা ফিরেপ লৌরকপা অসি মতম চারে হায়না লৌরকপনি। মসিদা লৈঙাক অসিনা নিংদোল পোম্নিঙাই করি লৈবগে।

মীয়াম হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা অমা ওইবনা মীয়ামগী মতিক ময়াইদগী হেনবা অতে লৈতে। মীয়াম্না পাম্বগী মতুংইন্না আফসপা রিভিয়ু তৌনবা ফিরেপ লৌরকপনি।

আফসপা লৌথোক্নবা কোংগ্রেস পর্টিনা থবক লৌ–খৎপদা বি জে পিনা অসুক য়াম্না খোইদৌ শাউগৎলিবা অসি করিগীনো হংখি। কোংগ্রেসকী ওইনদি সি এ বিলসু চৎনহল্লোই হায়না মেনিফেষ্টোদা হাপ্পা লৈখ্রবনি।

আফসপা লৌথোক্নবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুন অমা হাউসতা পুখৎপা মতমদা চীফ মিনিষ্টর মশামক্না আফসপা লৌথোকপা মতম চাদ্রি ঙমখিরোই হায়না থৌনা ফনা হায়না ফোঙদোকখিবনি।

বি জে পিগী এদভর্টাইজ, পব্লিসিতিনা মীয়ামদা উৎ চাইবা তোকপীরো, কনানা কনানো হায়বা মীয়ামগী ৱায়েলনা তাক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মীহুৎ ওইদৌরিবা মীওইদু হান্না খঙবা ...

*লমায় ১গী মখা* মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লাক্লীবা মীওইশিং অসিবু মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি মেদিয়াগী মথৌনি। অদুনা মেদিয়াগী থৌদাং অমা লৌবগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্ন মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অউটরগী মীরেপশিংনা মখোয় মশা মশাবু মশক তাকচনবগী অমসুং করী মরমগী মীখল থেংনগে খল্লীবনো অমসুং মীখল মায় পাক্নবা মতুংদা মখোয় মখোয়না তৌগদবশিং ফোঙদোক্নবগী তাঞ্জা পীখি। মসিগী খুদোংচবা লৌদুনা অউটরগী আই এড সি মীরেপ ওইরিবা জেমস কাসুমনা মহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্নদুনা হায়,মহাক্না মণিপুরদা লৈরকপা মতমদগী লমদম অসিগী চিং–তম চাউখৎপগী মমী কয়া উবা ফঙদবা অমসুং চীং তম অনীগী মরক্তা অচৌবা অহোবা অমা অনুমক লৈবগী মমী তাই। মসিদগী পেন্দবগী চীং–তম থোং মান্ননা চাউঙৎমীন্ননবা হোৎনগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মীখল থেংননবা থোরকখিবনি হায়খি।

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি(এন ই আই দি পি)গী অউটর মীরেপ অশঙ মাসরনা মহাক মশাবু মশক তাক্নদুনা এম পি হায়বসি ইসু মশিং থিঙমদনা থেংনরী। ইসুশিং অসিবু চপ চনা থেংনগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মীখল থেংননবা লেপ্পনি। মমাং মমাংদা লৈরম্বা এম পি শিং লমদম অসিদা থেংনরীবা ইসু অমত্তা পার্লিয়ামেন্টদা থৌনা ফানা পুথোক্তুনা ফন্নবা য়াওখিদ্রি। অদুবু ইশামক লমদমসিদা শেমজবা লমদমসিগী ইহুল খঙবা রিজনেল প্রার্টিগী থোক্তুনা লমদম অসিগী ইসুশিং থেংনগনি হায়খি।

নো ইয়োর এম পি কেন্দিদেট হায়না মীং থোনবা অউটর অমদি ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিটোয়েন্সিগী মীরেপশিং মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অসি অনীশুবা তাংকক্কী ওইনা থা অসিগী ৮ দা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দদা পাঙথোক্কদৌরি। মসিদা ইন্নরগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ৪ য়াওনা তোঙান–তোঙনবা প্রার্টিগী মীরেপ ১১ না শরুক য়াগদৌরি।

## পি এম লাকপা নুমিৎতা কোরকোম্না টৌটৈল সটদাউন...

*লমায় ১গী মখা*

কাপ–কাপ্তুনা হাৎলক্লি। পাটসোই–লাংজিংগী মীহাৎ, হৈরাংগোইথোং মীহাৎ, মতমদুগী আর এম সি মীহাৎ, তোনসেন লমখায় মীহাৎ, অসিনচিংবা লোইনাইদ্রবা মীহাৎ কয়াগী লমদম অসিদা ঈখেন তারবা পুৱারিগী লিক্রম অমা ফাৎলক্লি। লমদম অসিগী মীচম মীয়ামগী হিংবগী হাকপু লেপ্তুনা খোঙগাওনবিরি। অসুম্না মশিং থিং ঙমদ্রবা সশিন্নবা খুৎ থোক্নবগী মীহাৎ কয়াদা মীওই লিশিং কয়াগী পুন্সি পীখন্নহনখ্রবসু লোইশিনবা ঙমহৌদ্রবা ফেক ইনকাউন্টরদা হাৎখিবা ইরমদম অসিগী মীচম ১৫২৮ গী মনুংদা কেস ৫দি সি বি আইদা শিন্নদুনা চার্জসিট ফ্রেম তৌদুনা অরোইবা ৱায়েল ঙাইবা নত্তনা অয়াম্বা কেসতী ইন্দিয়া লৈঙাক অসিগী ময়া পন্দ্রবা সুপ্রিম কোর্টতা তাদুনা ঙসি ফাওবা অচুম্বা ৱায়েল পীবা ঙদনা লৈরি। ইন্দিয়াগী জুর্দিদিয়ারি সিষ্টেম অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবনি হায়নরিবা সুপ্রিম কোর্ট অসিমকসু লৈঙাক অসিগী লোইলম লান্মীশিং অসিনা চৎখরিবা কা–হেনবা ষ্টেট টেরোরিজমগী থৌওংশিং অসিদদি করিসু তৌবা ঙমদ্রি হায়নসু মরাল শীরি। অদুবু তমথিবা মীওৎ–মীনৈ, মীহাৎ–মীপুম কয়া চৎখদুনাসু লমদম অসিগী মীয়ামগী নিংতম লালহৌ অসি হেক্তমক নমথবদি ঙমদ্রি। লান্মীগী খম থেংবা অয়ৌবী পঙ্গল শিজিন্নদুনা মীয়ান্থু নমথদুনা থল্লগা লমদম অসিবু ইন্দিয়াগী অহেনবা পোপুলেসন অদু লমদম অসিদা অতাৎ–অখম লৈতনা থাজিল্লক্তুনা লমদম অসিদা মীতোপকী ঈচাও– থোকহলক্লিবা অমসুং লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগা পুমতোৎ–তোৎশিনহনদুনা য়েলহৌমী অসিগী কাংখুল মুথৎনবা রেসিয়েল এসিমিলেসনগী পোলিসি অদু চঙংশিল্লক্লি। মসিগীদমক ঙসিদি ইম্পরিএলিষ্ট ইন্দিয়াগী স্লোগান ওইনা শিন্নিরম্বা 'য়ুনিটি ইন দাইভরসিটি (মান্নদবাশিংগী অপুন্বা)' হায়বদু পুমতোক তেক্লগা 'হিন্দুটভা' গী মংলান– ইন্দিয়া ইস ফোর হিন্দুস ' ৱান কন্ত্রি–ৱান নেসন, ৱান কলচর', ৱান নেস ওফ ইন্দিয়া হায়দুনা চং শিল্লক্লিবা পোলিটিকেল পার্টি খরাগী থৌশিল অসিদি অপীকপা মশিং য়ামজদবা ঐখোয়গী ফুরুপচাশিংবু মুথৎনবনি হায়বসি ককনিংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি হায়রি। চেরোল অসিনা হায়,নোংমা কাংদনা থোমজিলক্লিবা মীতোপকী ঈচাও অসিদগী লমদম অসিগী মশিং য়ামজদ্রবা য়েলহৌমীশিংনা মথং..মথং...

## 'এন ই আই দি পিগী অন–ইমপ্লোয়িজ সেল হাংদোক্লে'

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩(এস এন এস) ঃ

নোর্ঠ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ই আই দি পি)না মসিগী অন–ইমপ্লোয়িজ সেল অমা ঙসি হাঙদোক্লে। লমদম অসিগী থবক ফংদনা লৈরিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়াবু থবক পীনবা হোৎনগনি হায়না এন ই আই দি পিগী মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাঊগী মীফম অমদা ডা. এন জি বিজয়না হায়, অসিগুম্বা সেল অসি লমদম অসিগী অতৈ পোলিতিকেল পার্টি অমত্তগী ওফিসতা হাঙদোকখিবা লৈত্রি।

সেল অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা লাইরিক হৈরবা থবক ফংদ্রিবা নহা কয়াদা করম্না থবক পীগদগে হায়বদু খন্নবগা লোয়ননা অঞ্জম্বা থাক্তা মখোয়গী মতেং পাঙনবা হোৎনগনি।

ঙসি হাংদোক্লিবা সেল অসিগী কনভেনরনা সগোলবন্দ মবুখৌ মন্ত্রি লৈকাইদগী আর কে চিত্রভানুনা ওইগনি হায়খি।

মহাক্ন হায়, মণিপুরদা লাইরিক হৈরগা থবক ফংদ্রিবা নহাগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না য়ামখ্রে। ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা মীং চনবা থবক ফংদবা মীগী মশীং অসি য়েংলগা মখোয়গীদমক করিগুম্বা খরদি তৌবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে হায়খি।

অসিগুম্বা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংবু মশানা মশাবু থবক পীজবা নৎত্রগা অতোপ্পা লম্বী অমদা মখোয়বু থবক পীনবা ৱাফম খন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি।

পার্টি অসিগী সেন্ত্রেল ৱার্কিং কম্মিতিগী প্রসিদেন্টনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরদা কোর্পোরেট ওইনা চল্লাইদুনা নহা কয়া থবক পীরি।

লৈবাক অসিগী ওইনসু লায়রবা ইমুংশিংদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক নুমিৎ ১০০ চহী অমদা শুকশোয় শোয়দনা থবক পীনবা এম জি এন আর ই জি এস পায়খৎখ্রবসু মপুং ফানা থবক ওইনা ওম্থোক্তবনা লমদম অসিদা মপুং ফানা থবক পীবা ঙমদে।

চাউখৎপা লৈবাকশিংদা লৈরিবা থবক ফংদ্রিবা নহাশিং লৈঙাক্না অনইমপ্লোয়মেন্ট এলাৱেন্স পীরিবনি। মদুগী মতৌদা মণিপুরদসু থবক পীবা ঙমদ্রবদি নহাশিংদা অনইমপ্লোয়মেন্ট এলাৱেন্স পীবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা অসিগুম্বা সোসিয়েল সেক্যুরিতি স্কিমশিং অসি মপুং ফানা থবক্তা ওম্থোক্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

## কোংগ্রেস, বি জে পি মীয়ামগী খনবা পার্টি নৎতেঃ সি পি আই

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ ঃ কোংগ্রেস অমদি বি জে পি পোলিটিকেল পার্টি অনীসিদি প্রজাগী শেংগাউ লুট তৌবা ৱাখল্লোন চপ–মান্নবা ইমুং অমদা তেঙ্গান চান্নবগুম্বনি হায়না সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরী লাইশ্রম সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী ইরাবত ভাৱন্দা পাঙথোকপা পাঊগী মীফম অমদা মহাক্ন হায়, লাক্কদৌরিবা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরী কন্স–টিট্যুসনগী সি পি আই মীরেপ ওইনা পুথোক্লিবা ডা. মোইরাংথেম নরাগী কেম্পেন মপুং ফানা চৎথরি। মসিগী মনুং চন্না ইন্নর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী কেন্দ্র ৩২গী মফমশিংদা দোর তু দোর কেম্পেন চৎতুনা প্রজাশিংদগী থৌজাল নিররে। প্রজাশিংগী মায়কৈদগী হরাও তরাম্বা সি পি আই কেন্দিদেট নরাবু ওকপগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা শোইদনা মায় পাকহল্লবনি হায়বগী থাজবা পীরকপনা হন্দক্কী ইলেক্সন অসি ইন্নরগী ওইনা সি পি আইনা শোয়দনা মায় পাক্কনি।

১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিগী কোংগ্রেস অমদি বি জে পিনা পুথোক্লিবা মীরেপ খুদিংমক পার্টি অনী অসিনা হুন্নবদা ক্রিমিনেল, সি বি আই গী কেস লৈবনি হায়না চার্জ তৌনরিবা অসিনা তাকপদি মখোয়না পুথোক্লিবা মীরেপশিং অসি প্রজাগী অমদি লমদমসিগীদমক থবক তৌনবা মীরেপ ওইবা থোক্লকপা নৎতে প্রজাশিংগী শেংগাউ লুট তৌনবা থাদোরকপা ঙাক্তনি হায়বসি প্রজাশিংনা লোইনা খঙনরে। শেল ময়েক্কী মমাইগুম্বা পার্টি অনীসি ৱাখল্লোন চপ মান্নবা পার্টি নি। ষ্টেট অসিগী প্রজাশিংবু ৱাহনবা শেঞ্জা থুমজা, প্রজাশিংগী ফংফম থোকপা কয়া মৎপা পোলিটিকেল পার্টিনি।

কোংগ্রেস অমদি বি জে পি দা টিকেৎ তান্নরম্বা মীওই কয়া টিকেট ফংহৌদবদগী চেংথোক্নদুনা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা পার্টিদা য়াওখিবা লৈরে। মসিনসু মরম ওইদুনা পার্টি অনীসিনা মায় পাক্নবা মরম ওইদ্রে।

করিগুম্বা বি জে পিগী মীরেপ্পা মায় পাকখ্রবদি ষ্টেট অসি শোইদনা মুৎখ্রগনি। ষ্টেট অসিবু সেন্টরদা য়োম্থোক্তুনা মুথৎনবা হোৎনরিবা বি জে পিদা মীয়াম্না ভোট পীগদৌরিব্রা ? করিগুম্বা লাক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা সেন্টরদা লৈঙাক পাইরক্নবদি সিটিজেনসিপ এমেন্টমেন্দ বিল চৎহনগনি হায়না মখৌ পোংনা হায়খ্রিবা পার্টিনি। অৱাং–নোংপোক অমদি ষ্টেট অসিগী লৈজরিবা য়েলহৌমীশিং অমদি কলচর রিসোর্স পুম্নমক মাংহনবা পাম্বা দ্রামা অমত্তদা য়ুমফম ওইবা বি জে পি নি। কোংগ্রেসসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি। পার্টি অসিগী মীহুৎনা পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর তর্ম অনীরক মীহুৎ ওইনা থারুবসু ষ্টেট অসিগী ইন্টররেসতা মীয়ামগী থবক অমত্তা তৌরকখিবা লৈতে। ষ্টেট অসিগী মরুওইবা ঈশু কয়াদা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ৱাফম অমতা নিংথিনা পুখৎপা ঙমদনা চৈক্রিদা ফমদুনা লৈবা ঙম্বা পার্টিনি। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস্না চহী ১৫ লৈঙাক পায়খ্রে। মদুদা লমদম অসি মীকপ মীরাওখোল মীসি মীনাতনা পীকথলহনবা প্রজাশিংগী ঈ–চুপ্তুনা লৈঙাকখিবা পার্টিনি। পুম্নমক অসি মীয়াম্না থেংনরগা অমদি হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি।

মহাক মখা তানা হায়, লাক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিগা চপ চানা থেংনবা তোঙান তোঙানবা দ্রোল মরি কম্যুনিস পার্টি ওফ ইন্দিয়া ( সি পি আই), কম্যুনিস পার্টি ওফ ইন্দিয়া মাক্সিস ( সি পি আই এম), রিভোল্যুসনরি সোসিএলিস পার্টি ( আর এস পি) অমদি ওলল ইন্দিয়া ফোরৱাট ব্লোক অসিনা পুশীন্দুনা সি পি আইগী ইন্নর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীরেপতা নরাবু মায় পাকহন্নবা কন্না হোৎনরি। করিগুম্বা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা সি পি আইনা মায় পাক্নবদি ষ্টেট অসিগী মরুওইবা ঈশু কয়া থেংনগনি। মরুওইনা বোদর পীল্লরগী ঈশু, ইন্দো নাগা ফ্রেমৱাক্কী ৱাথোক, সিটিজেন্সিপ এমেনদমেন্ট বিল চৎহন্দনবা অমদি অফস্পা লৌথোক্নবা হোৎনবচিংবা মরুওইবা ঈশু কোকহন্নবা শোইদনা হোৎনগনি। অমরোমদা হন্দক নন্দো নাম্থোকখিবগা মরী লৈননা ফাখিবা এম দি মঞ্জুরবু জে আই সিদা লৈখিদবা অদু লৈঙাক অসিগা লৌতুনরগা হাৎপনি হায়না লৌই। অসিদা চেন্নবা খুদিংমক লৈঙাক অসিনা অথুবদা পুথোক্তুনা মতিক চাবা মরাল পীগদবনি।

## রাধাবিনোদ বি জে পিদগী...

*লমায় ১গী মখা*

মীশক অমনি। মহাক্না হায়, মহাক হন্দক্কী ইন্নর মণিপুরী পার্লিমেন্টরি কন্স–টিট্যুয়েন্সি দা মীরেপ ওইগনি হায়বগী থাজবা থমলুবদগী ইন্নর মণিপুরী পার্লিমেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা কেন্দ্র ৩২ দা দিসকোভরি ওফ মণিপুর হায়বা প্রোগ্রামগী মখাদা চহী অমা মখায় রোম ৱার্ক তৌবা হৌরুরে। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা কেন্দ্র ৩২গী মীয়াম্না করি পাম্লি, মখোয়গী অনীংবনা করিনো, মখোয়না তৌহননিংবনা করিনো ? মহৈরোইশিং, নহাশিং, নুপীশিং, অহল–লমনগী অপাম্বা, মখোয়গী হিংবগী থাক, ৱাখল্লোন অদু খঙদোক্নবা হোৎনখি। অসুম্না চহী অমা মখায় রোম অসিদা মহাক্কী মতুং ইনবীখিবশিং, ৱেল ৱিসর ৱার্করশিংগী মফমদসু তৌবিমল খঙবা উৎলক্লি। মহাক্না বি জে পি দগী তোক্লবনিনা মহাক্কী ৱেল ৱিসর অমসুং ৱার্করশিংনা হন্দক্কী মপি ইলেক্সন অসিদা মাগী–মাগী অপাম্বা কেন্দিদেট (মীহুৎ) খনবা হায়বদুদি মখোয়–মখোয়গী অপাম্বনি। হৌজিক মহাক্কীদি মহাক অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমতদা জোইন্ট তৌবগী চপ–চানা লেপথোকপা লৈত্রি। বি জে পিদগী তোক্লবসু মমালৈবাক্কী সেবাদি তৌখিগনি।

লৈবাক্কী অমসুং নেশ্নেলগী অফবা থবক থৌরমশিংদা মহাক কন্ত্রিবুসন পিখিগনি। সোসিয়েল প্লেটফোর্ম নৎত্রগা এঙ্গল অমা নৎত্রগা অমদগী লৈবাক্কী অফবা থবকশিং অদুমক সর্ভ তৌগনি হায়রি। পোলিটিকেল পার্টি অমসুং ইলেক্টোরেল পোলিটিকেল গেম খরা–খরা লাপথোক্ন বা হোৎনরগনি হায়না তুইটরদা মার্চ ২৩দা ফোঙদোকখ্রনি। পোলিটিকেল প্লেটফোর্মদগী নৎত্রবসু লৈবাক্কী সেবাদি অমুক তৌবা য়াই হায়নসু মত ফোঙদোকখি।

## 'চৈরাওবা–চহী হৌরে হায়বা ...

*লমায় ১গী মখা*অহানবা চাকলুক্না হাকুম চৈরাওবা নুমিৎকী, অনীশুবা চাকলূক্না কুমসিগী চৈরাওবা নুমিৎ অমসুং অহুমশুবা চাকলুক্না নোংমৈ চৈরাওবা নুমিৎকীনি হায়বা তাকপনি। অমসুং চাকলুকশিং অসিবু কৎকদবা লাইশিংনা ইরম মামা তুমাবা, ইরম শেনবা তুশেনবা, কুমস্না কুন্নিবা লাই অমদি হনবা কোকচাও হনু লৈখম অমসুং খুন্দা অহানবনি হায়খি।

চৈরাওবা / চৈথাবগী থৌরম অসি শাগৈগী য়ুম্মাং কৈমাংবা য়াওরবদি পাঙথোকপা ফত্তে হায়খি।

অমরোমদা,চৈরাওবা / চৈথাবা হায়রিবা থৌরম অসি মমাঙদা শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎ অসিদা পাঙথোকপসি লৈকাই–লৈকাইদা ইমুং অমা অনীদগী হেন্না পাঙথোক্লরমদে। ঐখোয়না হৌজিক গৌর চৈরাওবা হায়না খঙনরিবা চরক পুজা নুমিৎ অসিদা অয়াম্বা পাঙথোক্লরম্মী। অদুবু ঙসিদি মীপুম খুদিংমক্না ৱাখল তারক্তুনা শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎ অসিদা থৌরম অসি পাঙথোক্লরে।

## ক্রোর ২.৫...

*লমায় ১গী মখা* ফারবা মীওই অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোইরেঙ্গৈ কৈথেল অচানবীগৈ চিরোম মোমোচা (২৪) অপোকপা চিরোম দেবেননি হায়রি। মঙোন্দগী ফারবা দ্রগ অদু চাওরাক্না লুপা ক্রোর ২.৫৩২ রোমগী ওইগনি। মহাক্কী মথক্তা মোরে পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

## মণিপুরদা ...

*লমায় ১গী মখা*

হায়বা মাপল থোকখি হায়রি। অদুবু পূন্সি অমদি মাল চাং মাঙবগী পাউদি লৈত্রি। অদুবু মহারাষ্ট্রগী পালখরদা চহী ২ গী অঙাং অমা যূমদগী তাদুনা শিখি। ফেব্রুৱারী ২০ দা নোংমদা অহুন্নক য়ুহার হাখি।

পালখর দিষ্ট্রিক্টতা হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদগী হৌজিক ফাওবদা য়ুহার ৪৫ রক হাখ্রে।

## খোঙজং..

*লমায় ১গী মখা*

ৱাফম অসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নারদা আপীল তৌদুনা হায়রিবা শেনফম অসি এপ্রিল ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীথোকপীদবা তারবদি মদুগী দায়ত্ব অদু এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীথোকপীগদবনি। মসিদা মীখল পাঙথোকপদা খুদোং চাদবা মায়োক্নবা থেংনরকপা পুম্নমক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পুগদবনি। মসি টি দি সিনা পুরোই।

## মণিপুর চাউখৎহনবদা বি জে পিনা মীৎয়েং চঙলি ...

*ঙরাংগী মখা..*

মসি চিনাদি ঙমদনা লৈরিনি। মিসন মার্চসকী মখাদসু ইন্দিয়না মালেমগী ৪শুবা লৈবাক ওইনা মার্চসতা সেটেলাইট থাগৎপা ঙমখিবা অনীশুবা সুপর পৱার ওইরে হায়বদু মালেমগী লৈবাকশিংনা পাক শান্না খঙনরম্বনি।

মোদগী মতিক মথৌনাগী মতাং দা হাংবদা মহাক্না হায়, কস্মিরদা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা সরজিকেল ষ্ট্রাইক চখদুনা অকি–অখঙ পোকহনখ্রবা মতুং দা, পুলৱামাদা সুসাইদ বোম্বর অমনা বোম্ব পোখাইহনদুনা ইন্দিয়ান অর্মি ৪৪ হাৎখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা টেরোরিষ্টগ্রুপ জেস ই মুহমদ কি ত্রেনিং কেম্প ওইরিবা বালাকোটতা পাকিষ্টানগী লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমা লানশিন্দুনা টেরোরিটেশিংবু মাংহন–তাকহনখ। মদুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা টেরোরিষ্টকী অকি–অখঙ লৈরম্বা অদুবুসু কোকহনবা অমদি কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি। মদু তৌখি হায়বগীদমক লৈবাক অমত্তনা করিশু হায়রকপা লৈখিদে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মালেমগী লৈবাকশিং কোইদুনা লৈরে হায়না কংগ্রেস পার্টিনা মরাল শীরিবা অসিগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্কী খোঙচৎশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াবু থাজবা অমদি মরুপ মপাং ওইবগী অফবা মরী থল্লকপা হেল্লি। পাকিষ্টান য়াওনা লৈবাক কয়ানা অফবা মরী থল্লক্লিবা অসি শেলনা লৈবা ঙমদবা পোৎশক অমনি।

ব্যাজিনেস তৌবদা হেন্না লাইথোকহন্নবা, ফোরেন ডাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট হেন্না লাকহন্নবা গভর্ণমেন্টনা করি করি খোঙথাং পায়খৎলিবগে হায়না হাংবদা ইন্দিয়া অসি মীশিং য়াম্বা থবক ফঙদবা নহা মরম অদুনা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা শেল থাদহল্লক্তুনা লৈবাক অসিগী লৈজরিবা রিসোর্সশিং হুমেন রিসোর্স য়াওনা নিংথিনা শিজিন্নদুনা পোথোক পুথোকপা নহাশিং থবক পীবা শেল থুমগী ফিভম ফাগৎহন্নবা হোৎনরি।

য়ু পি এ গী মতমদা এফ দি আই তা অথিংবা কয়া লৈরম্মী। অদুবু এন দি এ গী মতমদা গুজরাট চাওখৎখিবা অদুগুম্বা য়াম্না লাইনা ব্যুজিনেস তৌবা য়ানবা পোলিসি কয়া শেম্লে। মদুনা মালেমগী ইভেষ্টর কয়ানা শেল থাদদুনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফাগৎহন্নবা নত্তনা নহা কয়া থবক পীবা ঙমহল্লে। মণিপুরদসু সিঙ্গল ৱিনে দা ক্লেরেন্স সিষ্টেমগী মখাদা প্রোসেস শাং দোকহনদনা ইনভেষ্টর / ইন্টরপ্রেনিয়রশিংদা ইরাই লাইনা ব্যুজিনেস তৌবা য়াহন্না হোৎনরি।

মণিপুরদসু অহানবা ওইনা এফ দি আই মখাদা পৱার সেক্টরদা সোলর ইনর্জি পুথোক্নবা এগ্রিমেন্ট তৌনখ্রে। মসিনা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা পৱার সেক্টরদা ইনভেষ্টমেন্ট ফংবা অহানবা ষ্টেট ওইরগনি।

ইন্দিয়া রেঙ্ক ১০০ গী মনুংদা চনবা ঙম্লমদবদু হৌজিক্তী ৭৭শুবা রেঙ্কতা হাগৎলে। মসি অচৌবা এচিবমেন্ট অমনি। ইং ২০১৮ খক্তদা এফ দি আই গী মখাদা ইন্দিয়াদা লাকখিবা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট অসি ৩৮ বিল্লিয়ন দোল্লর নি। অদুগা চিনাদনা ৩২ বিল্লিয়ন দোল্লর নি।

ইলেক্ট্রিসিটি এসেসিবিলিটি রেঙ্কিংগী মখাদা ইন্দিয়াগী ফিভম ফাগৎলক্লে হায়রিবা অসিগী মতাংদা হাংবদা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী ইলেক্ট্রিসিটি এসেসিবিলিটি রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া অসি হান্না ৯৯ রেঙ্কতা লৈরম্মী। মথং... মথং...

## প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ বোইকোট তৌগনি...

*লমায় ১গী মখা*

লাক্কদৌরিবা ইম্ফাল খোঙচৎ অসিবু মপুং ফানা বোই কোট তৌগনি। বোইকোট অসি মপুং ফহন্নবগীদমক থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা মণিপুরগী তম্পাক লমদম খুদিংমক্তা পুং ১৩ চুপ্পা জেনরেল ষ্ট্রক পাঙথোক্কনি। জেনরেল ষ্ট্রক অসিবু মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু। জেনরেল ষ্ট্রক থুগাইবশিং রেপিষ্ট অমদি দ্রগস লল্লোনবশিং শৌগৎপা কাংবুনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মীয়ামগী য়েক্নবা অমদা য়েংবা অকনবা মীৎয়েং অদু থমগনি। করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না রেপিষ্ট অমদি দ্রগস কিং–পিন অনী অসি মণিপুর লৈঙাক্না ফাদুনা অমুক হন্না মীয়ামদা পুথোক্তুনা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবা ঙম্লগদি জেনরেল ষ্ট্রক অসি হন্দোক্কনি। কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রক্ অসি ইলেক্সন বোইকোটকী শরুক অমা নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্কী রেপিষ্ট অমদি দ্রগ লল্লোনববু শৌগৎপা থৌওংগী মাইয়োক্তনি।